# ৱর্ল্ড পোপ্যুলেসন দে ২০২০
## ‘দোমেষ্টিক ভাইওলেন্স এন্দ অনইন্টেন্দেদ প্রেগনেন্সি’

— ডা. কে এস ঐচ আনন্দ —
দিপার্টমেন্ট ওফ ষ্টেটিষ্টিক্স, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি

চহী খুদিংগী ৱর্ল্ড পোপ্যুলেসন দেগী থৌরম অসি মালেমগী মফম খুদিংমক্তা জুলাই ১১দা পাঙথোক্লি। থৌরম অসি য়ু এন দি পিনা কুমজা ১৯৮৯দগী হৌনা পাঙথোক্লবা রেকম্মেন্দ তৌরকপদগী হন্দক্কী চহী অসিদা চহী ২০ লোম মপূং ফারে। থৌরম অসি পাঙথোকপগী মরু ওইবা ৱাখল্লোন্দি মালেমগী লৈবাক পুম্নমক্তা পোপ্যুলেসনগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদা মায় ওনশিন্নরক্নবা হোৎনবনি। চৎলিবা চহী ২০২০গী ওইনসু ৱর্ল্ড পোপ্যুলেসন দেগী থৌরম অসি য়ু এন এফ পি এগী মখাদা পাঙথোক্লবা শেম-শারি। হন্দক চহীগী ওইনা মপূং ওইবা থৌরম অসিগী থিমদি "Putting the breaks on COVID-19 : Safeguarding the health and rights of women and girls now" হায়বা অসিনি। য়ু এন এফ পি এগী পান্দমদি হৌজিক ওইরিবা কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক অসিদগী ওইরকপা য়াবা নুপীশিংগী Sexual and reproductive health তা শোক্লক্কদবা হীরম খরা মীয়ামদা খঙহনবনি।

কোভিদ-১৯গী লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা হৌজিক মালেম পুম্নমক্তা মীপূম খুদিংমক অৱাবা মায়োক্নরি। পনবা য়াবদি, লৈবাক খুদিংমক্কী Culture and Economy দা চাউনা অকায়বা পীরি। মীপূম খুদিংমক অৱাবা মায়োক্নরবসু মাঙজিন থানা থবক তৌরিবা হেল্থ ক্যের ষ্টাফশিংনা খরা হেন্না অৱাবা মায়োক্নরমগনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। হেল্থ ক্যের ষ্টাফশিং অসিদসু নুপীনা মশীং হেন্না য়াওরিবনি। নুপীশিংতগী ওইবা Sexual and reproductive health তা পীরম্বা এটেন্সন খুদিংমক লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা হৌজিক্তি ইরায় লায়থোকপগুম তৌরি। দল্লিয়ু ঐচ ওনা লাউথোকখ্রবা লাইচৎ অসিবু থিংনবা হোৎনবা পান্থৈশিংগী মনুংদা লোকদাউন তৌদুনা য়ূমদগী মপান থোক্তনা লৈবা অসি য়াওরি। লোকদাউন মনুংদা লৈবাক খরদদি দোমেষ্টিক ভাইওলেন্সকী চাং হেনগৎলকপগী রিপোর্ট তৌনরক্লি। হান্না চথুখিবা রিছর্সশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা দোমেষ্টিক ভাইওলেন্স হেনগৎলক্লবদি Unintended Pregnancy মশীংসু হেনগৎলি হায়বা অসিনি।

দোমেষ্টিক ভাইওলেন্স হায়বসি লুহোংলবা নুপীশিংদা চথুবা ওৎ-নৈবগী থবক খরনি। মসিদা নুপীশিংবু ফূ-চৈবদা নত্তনা পূক্নিং ৱাখলবুসু ৱাহন্দুনা ওৎ-নৈবগী থবক চথুবসু য়াওরি। নুপী-নুপা হকতিন্নবগী মরীদা পামদবা থৌওং কয়া চথুদুনা ওৎ নৈবসু (Sexual Violence) Domestic Violence কী শরুক অমনি। দোমেষ্টিক ভাইওলেন্স মায়োক্নবা নুপীশিংনা Contraceptive শীজিন্নবগী চাং য়াম্না হন্থে অমদি মসিনা Unintended Pregnancy য়াম্না ওইরক্নবগী মরম অমা ওইরি।

Unintended Pregnancy হায়বসি মৈতৈলোন্দা হায়রগদি পামদনা মীরোলখিবা হায়বা তারে। করিগুম্বা নুপী-নুপা অনী হকতিন্নদুনা মীরোনবা মতমদা অতম্লনা অঙাং পামদবীদা মীরোনখিবা মশীং য়াম্না য়াওরি। হায়রিবা Unintended Pregnancy শিং অসিদগী পোক্লকপা অঙাংশিংনা লৈবাক অমগী মীশিং হেনগৎপদা চাউনা থৌদাং লৌরি। মসি করম্না থিংগদগে হায়বসি মুন্না নৈনবা মথৌ তারি। ফোঙজরিবা আর্টিকল অসিদা ইন্দিয়াগী নোর্থ ইষ্ট ষ্টেট ৮দা দোমেষ্টিক ভাইওলেন্সকী চাং কয়া য়াম্না লৈবগে অমদি মসিনা মরম ওইদুনা Unintended Pregnancy কয়া য়াম্না হেনগৎহনবগে হায়বগী শন্নপ্পা খন্ন-নৈনবা অমা থমজরি।

টেবল ১ : চহী ১৫দগী ৪৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপীশিংদা মীওৎ-মীনৈ চথুবগী চাং (%)

| State | No. of Women interviewed | No. of Women who experienced Physical Violence | Emotional Violence | Sexual Violence |
|---|---|---|---|---|
| Arunachal | 1299 | 344 (26.6%) | 212 (16.3%) | 195 (15.3%) |
| Assam | 2630 | 636 (24.3%) | 296 (11.4%) | 262 (10.4%) |
| Manipur | 1137 | 597 (52.6%) | 160 (14.1%) | 248 (21.8%) |
| Meghalaya | 721 | 174 (24.3%) | 84 (11.8%) | 65 (9.0%) |
| Mizoram | 976 | 151 (15.3%) | 97 (9.9) | 60 (6.1%) |
| Nagaland | 860 | 90 (10.5%) | 88 (10.2%) | 69 (8.0%) |
| Sikkim | 524 | 10 (1.9%) | 14 (2.6%) | 5 (1.0%) |
| Tripura | 619 | 168 (27.1%) | 82 (13.2%) | 92 (14.9%) |

Data source : NFHS - 4 (2015-16)

মথক্কী টেবল অসিদগী উবা ফংই মদুদি ইন্দিয়াগী অৱাং-নোংপোক ষ্টেটশিংগী মনুংদা মণিপুরনা ফিজিকেল ভাইওলেন্স খ্বাইদগী চাং ৱাংনা লৈরি অমদি সিক্কিমনা খ্বাইদগী চাং নেম্না লৈরি। ইন্দিয়াগী ওইনসু হায়রিবসি চুমই।

টেবল নম্বর ২ : ওইনীংদনা ওইখিবা মীরোনবগী চাং (%)

| State | মশীং | Percentage (%) |
|---|---|---|
| Arunachan | 83 | 11.2% |
| Assam | 119 | 10.6% |
| Manipur | 62 | 9.0% |
| Meghalaya | 36 | 5.4% |
| Mizoram | 44 | 8.6% |
| Nagaland | 50 | 10.1% |
| Sikkim | 8 | 4.9% |
| Tripura | 8 | 4.8% |

Data source : NFHS-4

টেবল নম্বর ২দগী খঙবা ঙম্মী মদুদি ইন্দিয়াগী অৱাং-নোংপোক ষ্টেটশিংগী মনুংদা অরুনাচল প্রদেশনা পামদবা মীরোনবগী চাং খ্বাইদগী য়াম্মী অমদি মেঘালয়াদনা চাং খ্বাইদগী নেম্মী।

দোমেষ্টিক ভাইওলেন্স অমদি অনইন্টেন্দেদ প্রেগনেন্সিগা করম্না মরী লৈনবগে হায়বদু টেবল নম্বর ৩ অমসুং ৪দা উৎলি।

Table : Domestic violence and wantedness of Pregnancy

| Domestic Violence | Pregnancy No | Wanted Yes | Total |
|---|---|---|---|
| No | 30 | 323 | 353 |
| Yes | 19 | 167 | 186 |
| Total | 49 | 490 | 539 |

P - value = 0.51 (not significant at 5%)

Table 4 : Sexual violence and wantedness of Pregnancy

| Sexual Violence | Pregnancy No | Wanted Yes | Total |
|---|---|---|---|
| No | 39 | 463 | 502 |
| Yes | 8 | 22 | 30 |
| Total | 47 | 485 | 532 |

P. value = 0.003 (significant)

টেবল ৩ অমদি ৪দা ষ্টেটিষ্টিকেল্লি টেষ্ট তৌবদা সেক্স্যুএল ভাইওলেন্স অমদি অনইন্টেন্দেদ প্রেগনেন্সি অনী অসি চাউনা মরী লৈনবা উৎলি। অদুবু দোমেষ্টিক ভাইওলেন্সকদি থোইদোক্লা মরী লৈনদবগী খুদম ফংলি।

ৱারোইশিন : ঙসিগী আর্টিকল অসিমক ৱর্ল্ড পোপ্যুলেসন দে ২০২০গা মরী লৈননা অনৱান্টেদ প্রেগনেন্সি হায়বসিগী মরমদা খরদং মীয়ামদা খঙহৌনবা ইজখিবনি। দোমেষ্টিক ভাইওলেন্স অমদি সেক্স্যুএল ভাইওলেন্স হেনগৎলকপা মতমদা অনৱান্টেদ প্রেগনেন্সিগী চাংসু ৱাংখৎলক্কনি হায়বসি মালেম পুম্বদা হায়নরি। কোভিদ-১৯গী লাইচৎতা লোকদাউন তৌদুনা সেক্স্যুএল ভাইওলেন্সকী চাং অৱাং-নোংপোক্কী ষ্টেটশিংদা হেনগৎলক্লবদি অনৱান্টেদ প্রেগনেন্সিসু শোয়দনা হেনগৎলোই হায়নীংঙাই লৈতে। মসিনা মীশিং হেনগৎনবগী অচৌবা মরম অমা ওইরি। ●

# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ কম্ফোই

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার —
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

কম্ফোই ময়াম্না থোইদোক হেন্দোক্লা কফোই হায়নসু কৌনবা হৈ পাম্বী অসিগী চীঞ্জাক্কী ওইবা অমসুং হীদাক্কী ওইবা মগুনশিং অসি ঐখোয়না থোইদোক্লা থৌৱা-শাবা তৌরুদে। হৈ পাম্বী অসিগী চীঞ্জাক অমসুং হীদাক্কী ওইবা মগুনশিং অসি থোইদোক-হেন্দোকখরে। কম্ফোই পাম্বী অসি ইংলিসতা পোমিগ্রেনেত, হিন্দিদা অনার (Anar), বেঙ্গলিদা দালিম (Dalim), ফ্রেন্সতা গ্রেনেদিয়র (Grenadier), জর্মনিদা গ্রেনাতাপফেল (Granatapfel), ইটালিয়ান্দা মেলোগ্রেনো (Melograno), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোতানিকেলগী ওইবা মমিংদা *প্যুনিকা গ্রেনেতম (Punica granatum L.)* নৎত্রগা *প্যুনিকা মেলস (Punica malus L.)* নৎত্রগা *প্যুনিকা ফ্লোরিদা (Punica florida salisb.)* নৎত্রগা *প্যুনিকা গ্রেন্দিফ্লোরা (Punica grandiflora Hort. ex steud)* নৎত্রগা *প্যুনিকা নানা (Punica nana L.)* নৎত্রগা *প্যুনিকা স্পিনোসা (Punica spinosa Lam.)* হায়না কৌই অমসুং প্যুনিকেসী (Punicaceae) শাগৈগী মনুং চল্লি। কম্ফোই পাম্বীগী ইংলিসকী ওইবা মমিং পোমিগ্রেনেত (Pomegranate) হায়বসি গ্রীক্কী ৱাহৈ পোমুম (Pomum) হায়বদি এপল অদুগা গ্রেনেতম (Granatum) হায়বনা সিদেদ (Seeded) হায়বদি মরু পানবা হায়বনি; হায়বদি মরু পানবা এপল (সেম) হায়বনি।

কম্ফোই হায়বসি দেসিদুঅস হায়বদি মনা কেনগনবা ফুট ১৫ রোম ৱাংবা অপীকপা উ পাম্বী অমনি। পাম্বী অসি মশা-মরোং য়াম্না পানবা সেন্টিমিটর ৩ লোম চাওবা ঙাকশং-ঙাংবা মপান য়াম্না শাৎপা অদুগা মহয় অদুনা সেন্টিমিটর ৫ দগী ১২ ফাওবা চাওবা পাল্লি। পাউদমগী মতুং ইন্না কম্ফোই পাম্বী অসি কলতিভর মখল ৫০০ গী মথক্তা লৈ। পাউদমশিংগী মতুং ইন্না কম্ফোই পাম্বী অসি ইরান অমসুং হিমালয়গী লমদমশিংদগী হৌরকখিবনি। পাম্বী অসি য়াম্না কুইরবা মতমদগী এসিয়াগী মেদিটেরেনিয়ন লমদমশিং, অফ্রিকা অমসুং য়ুরোপকী লমদমশিংদা য়াম্না পাক শন্না থাদুনা লাক্লি। খা অমসুং ময়ায় থংবা ভারতকী লমদমশিংদা কম্ফোই পাম্বী অসি অহানবা চহী চাদা ইরান্দগী পুরক্তুনা থাখি অদুগা ইন্দোনেসিয়াদনা কুমজা ১৪১৬ তা থাবা হৌখি হায়বগী পাউদমশিং লৈ। ঙসিদি কম্ফোই পাম্বী য়াম্না পাক-শন্না থানবা লৈবাকশিংদি ইন্দিয়া, খা-নোংপোক এসিয়া, ইজিপ, চাইনা, অফঘানিষ্টান, পাকিষ্টান, বাংলাদেশ, ইরান, ইরাক, ম্যান্মার অমসুং সাউদি অরাবিয়া অসিনচিংবনি।

কম্ফোই অসি মীওইবগী হকচাংদা কান্নরবা মচলশিং থোইদোক্লা শীংথানিংঙাই ওইনা য়াওই। পাউদমগী মতুং ইন্না কম্ফোইগী চাবা য়াবা মহয়গী শরুক অদু গ্রাম ১০০গী মনুংদা প্রোতিন গ্রাম ০.০৫ দগী ১.৬, ফেত গ্রাভ ০.৯, কার্বোহাইদ্রেতস গ্রাম ১৫.৪ দগী ১৯.৬, ফাইবর গ্রাম ৩.৪ দগী ৫, কেলসিয়ম মিলিগ্রাম ৩ দগী ১২, ফোসফোরস মিলিগ্রাম ৮ দগী ৩৭, আইরন মিলিগ্রাম ০.৩ দগী ১.২, সোদিয়ম মিলিগ্রাম ৩, পোতাসিয়ম মিলিগ্রাম ২৫৯, থিয়ামিন মিলিগ্রাম ০.০০৩, রাইবোফ্লেবিন মিলিগ্রাম ০.০১২ দগী ০.০৩, নিয়সীন মিলিগ্রাম ০.১৮ দগী ০.৩, এসর্কোবীক এসীদ মিলিগ্রাম ৪ দগী ৪.২, সাইত্রিক এসিদ মিলিগ্রাম ০.৪৬ তগী ৩.৫ অমসুং বোরিক এসিদ মিলিগ্রাম ০.০০৫ অসি য়াওই। কম্ফোইদা তেনিনগী চাং অসি খরা হেন্না য়াওবগী মথক্তা প্যুনিগ্লুকোনিন (Punigluconin) অমসুং প্যুনিকেলিন (Punicalin) হায়রিবা কম্পাউন্দশিং অসিসু য়াওবগী পাউদমশিং লৈ।

ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টানগী এঞ্জাং অমসুং চানবা চীঞ্জাক মখল খরা শেম্বদা শীজিন্নরিবা আনারদানা (Anardana) অসি কম্ফোই মরুদগী শেম্বনি। কম্ফোই মহয়গী মতোং (aril) অদু মখল কয়াগী হৈ মহী শেম্বদা অমদি চীঞ্জাক শেম্বদা পর্সিয়ান লমদমশিংদা য়াম্না পাম্না শীজিন্নৈ। মরু অদুনা কংহল্লগা কুপ্না তকখায়রগা এঞ্জাং থোংবদা থাক্লে।

মালেম শীন-থুংনা মমিং চৎলিবা অয়ুর্বেদগী অনা-লায়েং অসিদা কম্ফোই পাম্বী অসি চহী লিশিং কয়াদগী শীজিন্নদুনা লাক্লি। কম্ফোই মহয়গী মকু অদু শুগাইরগা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা খোং হামথবা, ইতোন ফায়বা অমসুং থীবোং-থীরিলদা তিল লৈবা অদু লায়েংনৈ। হীরম অসিদা পাম্বীগী উগী মকু অদু ঈশিংদা ফুৎলগসু অদুমক শীজিন্নৈ। কম্ফোই পাম্বীগী অমুনবা মহয় অদু শুন্নগা লৌবা মহী অদু চাং নাইনা পীথকপদা হার্ট শোনবা অদু মপাঙ্গল কনখৎহনবা ঙম্মী হায়না পাউদম্লি। নাতোনদা ঈ থোকপা অমসুং য়ারী য়াখোং চাথত্তুনা ঈ থোকপদা কম্ফোই পাম্বীগী মপান অদু শুগাইরগা থোমদুনা হীদাক ওইনা শীজিন্নৈ। কম্ফোই পাম্বীগী মহয়গী মকু অমসুং লৈ অদু ফজনা তকখায়রগা হঙ্গাম থাওগা তোৎশিন্নরগা শেম্বা মলম অদুনা চাং নাইনা তৈদুনা মায়দা উরীং থুংবা অমসুং কুচু-কুমেন পান্থোকহন্নবা শীজিন্নবগী পাউদমশিং লৈ। হায়রিবা অশেম্বা মলম অদুনা নুপীগী খোমদা চাং নাইনা তৈবদা চোন্থদুনা লৈবা খোমগী মসলশিং অদু মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা খোম অদু মওং চুম্না পুখৎহনবা ঙম্মী হায়বগী পাউদমসু থেংনৈ। অতোপ্পা পাউদম অমগী মতুংইন্না কম্ফোইগী অমুনবা মহয় অদু শুমদুনা লৌবা মহী অদু ফজনা চুমথোক্লগা লৌবা মহী অদুনা চাং নাইনা মীত্তা দ্রোপ ওইনা হাপ্পদা ঙৌদোং থুংবা অদু ঙাকথোকপা ঙমহল্লি। ●

## ষ্টেটকী পাউ

### দিলিমিটেসনগী মায়োক্তা লৈতে, তৌবদবু অচুম্বা সেন্সসতা য়ুম্ফম ওইরগা পাঙথোক্কদবনি : সী সী এস কে

ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচ এন এস): দিলিমিটেসনগী মায়োক্তা লৈতে, অদুবু অচুম্বা সেন্সসতা য়ুম্ফম ওইরগা পাঙথোক্কদবনি হায়না কম্মিটি ওফ সিভিল সোসাইটি কংলৈপাক (সী সী এস কে)না প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, দিমোক্রেসি চৎপা লম অমগী তৌফম থোকপা হায়বা তারবদি দিলিমিটেসন হায়বসিসু অমনি। মীয়াম্মা পাম্বা মীশক মীখলদা মায় পাকহন্দুনা লৈবাক অসিবু মপুং ফানা ঈং-তপ্পা, মরা চেৎপা অমদি চাউখৎপা ওইনবগীদমক লৈঙাকপা য়াওহনবা অদুনি। মীখলদা মায় পাত্তুনা দাইরেক্ট অমদি ইনদাইরেক্ট লৈবাক শেম্বা য়াওগদৌরিবশিং অদুগী মীহুৎ ওইনা লাক্কদৌরিবশিং অদুনা মখোয়না লৈরিবা কনষ্টিট্যুএন্সি অদুগী মীশিং অমদি পাক-চাউবা এরিয়াশিং মান্নহনবগী মথৌ তাবনা মরম ওইরগা দিলিমিটেসন অসি তঙাইফদনা মথৌ তারিবনি।

দিলিমিটেসন হৌখিবা কুমজা ১৯৫২, ১৯৬৩ অমদি ১৯৭৩দা তৌখ্রবা মতুংদা মরিরকশুবা রাউন্দগী ওইনা দিলিমিটেসন কম্মিসন এক্তনা থোরকপা ওর্দর অমগী মতুংইন্না কুমজা ২০০১গী সেন্সসতা য়ুম্ফম ওইরগা পাঙথোক্নবা তৌরিবসিদা নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেট কয়া য়াওরি। ষ্টেটশিং অদুগী লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম ফৎতবা অসিসু অমনি। অসামদা কুমজা ১৯৭৯-১৯৮৫কী ফোরেন্নর ইস্যুগী মতাংদা অঙকপা ফংনা ঈরাং লৈখিবা অমদি মীতোপকী মশিং খঙদোকপা ঙমখিদবা অসিনচিংবা কয়া অমসুনি। মণিপুরগী ওইনা কুমজা ২০০১গী মীকোক থিবদা দিষ্ট্রিক্ট অহুম, সেনাপতি, উখ্রুল অমদি চান্দেলকী সব-দিভিজন ৯দা চান্নদবা মওংদা মীশিং হেনগৎলকপনা মতম অদুদা দিলিমিটেসন কম্মিসন্না থোকখিবা নোটিফিকেসন ওর্দরনা মশা মথন্তা য়াররোই হায়না ককখ্রবনি। হৌজিক অমুক হন্না দিলিমিটেসন এক্টকী মতুংইন্না নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেট মরিদা দিলিমিটেসন তৌনবা খঙহল্লকপা অসিমক্তা মণিপুর মীয়ামদা চমন্নবা পোকহল্লে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

### অশাতোম্বীনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচ এন এস): অহৈবী অশাতোম্বী নিংথৌজানা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোক্লি হায়না মণিপুরী লিটরেরি সোসাইটিগী থৌপুবা ডা. বিজয়কুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ঙসি অয়ুক পুং ৯ তাবা মতমদা মণিপুরী লিটরেরি সোসাইটি, ইম্ফালগী শঙলেন্দা লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট শামুলাইলাৎপম প্রহ্লাদনা ময়াই তাংবল লৌদুনা অৱাবা ফোঙবগী মীফম পাঙথোকখি। অহৈবী অশাতোম্বী নিংথৌজানা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোক্লি। মণিপুরী সাহিত্য চাউখৎনবা হোৎনবদা মশাগী লাইরিক ২ ইমাগী তেংথাখোল (২০০৩), মরাইবক থিরবা মণিপুর (২০১৮) পুথোকখি। চেফোঙ কয়াদসু শৈরেং, ৱারেং কয়া ইখি। লমদমসিগীদমক শৈথাখিবা কয়া অদু ঙসিগী মীফমদা নীংশিংখি। লোয়ননা মহাক্না তৌরম্বা কয়া অদুবু শীংথানখি। মণিপুরী সাহিত্য চাউখৎনবা হীরম কয়াদা চেন-চোংজখিবী অহৈবী অসিনা লৈখিদবদা লূপ অসিনা থৱায় হকচাং য়াওনা অৱাবা ফোঙদোক্লি। মেম্বরশিংনা মিনিট ২ তুমীন্না লেপ্পুনা অহৈবী অসিগী থৱায়না তাইবং শেম্বা মপুগী মফমদা ঈংনা চিক্না তীনখিনবা থৌনিখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

### মতেং পাংনবনা নুংশিনবগী মরী অদু ফগনি : ডা. এলিসন অবোনমাই

ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচ এন এস): ঐখোয়না খুন্নাই অমদা অৱাবা তারবা মতমদা কনানা অদুনি-অদানি থিনদনা অমনা অমগী মতেং পাংনরবদি চীং-তম অনীগী ঐখোয় মশেলগী মরক্তা অচেৎপা নুংশিনবগী মরী অদু ফংবা ঙমগনি হায়না সোসল এক্টিভিষ্ট ডা. এলিসন অবোনমাইনা ফোঙদোকখ্রে।

সোসল এক্টিভিষ্ট অমা ওইবতা নত্তনা ফিলানথ্রোপিষ্ট অমদি ওন্ত্রপ্রেন্যুর অমসু ওইরিবা ডা. এলিসন অবোনমাইনা চীং তম ৱিমেন্স দিভলপমেন্ট এসোসিএসনগা খূৎশম্নদুনা মণিপুরগী মনুং হঞ্জিন্না লৈবা খুঙ্গংশিংদা চথুরকপা তেংবাং পীবগী থৌরম ঙসিসু কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী কামসোম খুল্লেন অমসুং কামসোম খুনৌগী শোথরবা ইমুংশিংদা মখা তানা চেঙ, থুম অমদি আলুনচিংবা মতেং য়েংথোকখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ডা. এলিসন অবোনমাইনা ফোঙদোকখিবদা, ঙসি তেংবাঙ পীজরিবা পোৎলমশিং অসি চীং-তম ৱিমেন্স দিভলপমেন্ট এসোসিএসন মণিপুর অমদি মহাক মশানা অরৈবশিংনা লৈতবশিংদা মতেং পাংবা হায়বা স্লোগানগী মখাদা চথুরকপা তেংবাঙ পীবা থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ঙসিগী তেংবাঙ পোৎলমশিং অসি পীজবনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মীয়াম্না কোভিদ-১৯গী লোকদাউনগী অৱাবা মায়োক্নরিবা মতম অসিদা কাঙলুপ-ফুরুপ খায়দনা চীং-তম অমত্তনি, ঐখোয় মচিন-মনাওনি হায়বা ৱাখল্লোন্দা চথুরিবা তেংবাঙ পীবা অসিদা লমদম অসিগী পুকচেল চাউরবা শেল পায়বা মীওইশিংনসু মতেং পাংবীয়ু। লোয়ননা অসিগুম্বা অৱাবা তারবা মতম অসিদা ঙমজবা খরা খরা ওইরবসু মীয়ামগী মতেং পাংনরবদি ঐখোয় মশেলগী মরক্তা অচেৎপা নুংশিনবা মরী অদু ফংবা ঙমগনি হায়খি।

ঙসিগী তেংবাঙ পীবা অদুদা ডা. এলিসন অবোনমাই, চীং-তম ৱিমেন্স দিভলপমেন্ট এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এন কুঞ্জেশ্বরি অমদি অতৈ এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি।

### ষ্টেট লেভেল ওনলাইন পেন্টিং/স্কেটচিং কম্পিটিসন

ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচএনএস): মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিনা শীন্দুনা ষ্টেট লেভেল ওনলাইন পেন্টিং/স্কেটচিং কম্পিটিসন পাঙথোক্লগনি হায়না লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিগী দেপ্যুটি মেম্বর সেক্রেটরি সদানন্দনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, তোঙান-তোঙানবা কেটগোরি ৩ থোক্না পাঙথোক্কনি। থীমনা কোভিদ-১৯ এন্দ য়ু হায়বা অসিনি। গ্রুপ এদা ক্লাস ৱানদগী ফাইব ফাওবা, গ্রুপ বিদা ক্লাস সিক্সতগী টেন ফাওবা, গ্রুপ সীদা ক্লাস এলেবেনদগী টুয়েল্ভ ফাওবা ওইগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

### ওনলাইন এসে রাইটিং কম্পিটিসন অমা পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুলাই ১০ (ঐচএনএস): মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিনা মাই আইদিয়া ওফ জষ্টিস হায়বা টোপিক্তা ওনলাইন এসে রাইটিং কম্পিটিসন অমা পাঙথোক্লগনি হায়না লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিগী দেপ্যুটি মেম্বর সেক্রেটরি সদানন্দনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। কম্পিটিসন অসিগী ওইনা ফার্ষ্ট প্রাইজদা লুপা লিশিং ১০, অনীশুবা প্রাইজদা লুপা লিশিং ৭ অমদি অহুমশুবা প্রাইজদা লুপা লিশিং ৫ ওইগনি। পার্টিসিপেন্ট ৩দা কন্সোলেসন প্রাইজ ওইনা লুপা লিশিং অমমম পীগনি। সার্টিফিকেটসু পীগনি। ওনলাইন সবমিসনগী অরোইবা মতম থা অসিগী ৩১গী নুংথিল পুং ৫ ফাওবনি হায়নসু মখা তারি।

WANTED COOK

Accomodation will be provided. Good Chinese Cook, must be reliable and capable; easy work.

Address :- Palace Compound Wangkhei, Imphal East, 795005.

*For more information, Please Contact - 7005601061*

HL-P/7267/7,9,11

লোন পীবিয়ু

ঐখোয়গী হান্নদগী মরী শম্নদুনা লৈজবা মাইক্রোফাইনান্সকী লোন হৌজিক লৈবাক্কী লাইচৎ কোরোনানা মরম ওইদুনা পন্দুনা লৈরিবা অসি ঐখোয় মেম্বরশিংগী অৱাবা অসি য়েংবীদুনা ওফিসকী মায়কৈদগী লোন অসি পীবিয়ু হায়না হায়জরি।

হায়জরিবা : Centre Leader
Ibudhou Langpok Ningthou
SHG, Kakyai Awang Leikai

HL-P/7028/11

FREE ONLINE CLASSES

PHOENIX ENGLISH COACHING

FOR CLASSES X (BOSEM) & XII (COUNCIL)
KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, LAIMAYUM LEIRAK
Detailed explanation of every lesson
Complete discussion of exam-related questions
Free supply of printed questions and answers
Weekly exam-oriented tests.
Nowhere can you find such English coaching class.
CLASS COMMENCING SHORTLY. GET YOURSELF ADMITTED. SEATS ARE LIMITED.
6 TO 7:30 AM & 5:30 TO 7 PM.
PLEASE CONTACT 8974642764

HL-B/3235/27/06 to 26/07

@1.80 % অপীকপা শেন্দোইদা @1.80 %

সনা Bandhop লৌজরি

ঙসি মালেমগী ওইনা Corvid-19 না মরম ওইদুনা খম থেংনা ৱানারবা মতমসিদা মণিপুর মীয়ামগীদমক মতেং খরদং ওইরসু পাঙজবা ওইনা অপিকপা শেন্দোইদা সনা বন্দান লৌজরি।

- সনা সন 1 দা ₹ 7000 দগী ₹ 8000 ফাওবা লৌবা য়াগনি।
- শেন্দোইনা 100 দা 1.80% খক্তনি।
- করিগুম্বা অদোমগী হান্না অচৌবা শেন্দোইদা সনা Bandhop থম্বীখিবা লৈরবদি ঐখোয়না হন্দোকপিরগা, ঐখোয়গী অপীকপা শেন্দোইদা অমুক থম্বগী খুদোংচাবসু পীজরি।

@1.80 % Only.

For details, Please contact.
Govindajee Gold Mortgage,
2nd Floor, Imphal Diagnostic Centre Building,
Palace Compound, Govindajee Road,
Near Andro Parking, Imphal East
7085917479

HL-B/6250/4/7-28/7

ADMISSION OPEN ADMISSION OPEN
INTERNATIONAL MODERNISED ACADEMY
(I.M.A.) REGD. NO. 19 SEPT. 2001
NONGMEIBUNG PURANA RAJBARI
NEAR KUSUM OIL PUMP
(RECOGNISED BY COHSEM)
ADMISSION OPEN FOR CLASS XI SC. OF 2020-21
Direct Admission facilities for all candidates special facilities for 75% and above Class X Exam. of BOSEM
Prospectus & application form can be obtained from the school office during the office hour (10am - 2pm)
*For more details contact*
9863015419 / 8729983208 / 9615269953

HL-P/7187/25june to 24 july

Delta Advance School
Kwakeithel Bazar, Imphal (Affiliated to COHSEM)
Admission Open (Arts & Sc.)
20 seats reserved for
Class XI Arts
first come first basis
Free Admission for 70% & above
Rs.1000 for 50% & above
100% Passed with 1st Class
2019 COHSEM result
4th Position
Arts Stream
Roll No. 1304
Eng-88
ALT.-86
Sgy-87
Geo-90
Pol.Sc.-80
History-80
86.2 %



OINAM ANGANBA KHUMAN
Letter Mark in all the Subjects
Sd/- Principal

HL-B/6219/17/6-16/7